হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জলাই ২২, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১১৭শুবা মশীং

## পি এম এ ৱাইগী বেনিফিসরিশিং

### অরানবা য়াওরবদি চুমথোকহৌগদবনি

প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা (পি এম এ ৱাই-অর্বান) হাওজিং ফোর ওল মিসন অসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোন পায়রকপদগী হৌদোরকখিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা হৌদোরক্লিবা মিসন অসি লৈবাকসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং শিনবা থুংনা চৎনহল্লক্লিবনি। হৌজিক্তি মিসনসি করিনো হায়বসি মীপূম তিংনা খঙনরক্লবনিনা মসিগী মরমদা কোৎথোক্তুনা শুগাইনা হায়রুদ্রবসু য়ারগনি খল্লে। অদুবু ফজখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিসন অসি মণিপুরদসু মসিবু থবক্তা ওন্থোক্তুনা স্কিম অসিগী গাইদলাইননা অয়াবা পীবা মীওইশিংবু বেনিফিসরিশিং ওইনা খন্দুনা খুদোংচাবা ফংহন্ননবা মথৌ তাবা থবক থৌরম পায়খৎলকপদবু ৱারু-নুংজু থোক্লরক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লকপফম থোকপ্রা? মীয়ামগী ৱায়েল চুপ্লি পায়রিবা লোয়শঙশিং, লোয়শঙশিংদুগী ওফিসলশিং মখোয়-মখোয়গী খূৎশুমল পীদুনা মীয়ামগী থবক তৌহল্লিবনি। মখোয় মশা মীয়ামগীনি। মতম মতমগী মতুংইন্না য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা মিসন, প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং মসিবু ফংফম থোক্লিবা মীওইশিং খনগৎতুনা বেনিফিসরিশিং ওইহনগদবনি। অদুবু অসিগুম্বা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংশিং অসিদা অশোয়বা অরানবশিং য়াওহনবা, মথক-মখা থোক ওন্থোক্লগা ফৈজে চিংবগী ফীভমদা থোকহল্লকপদি অচুম্বা, পাঙথোকফম থোকপা, গাইদলাইননা য়াবা থবকশিং ওইগদ্রা হায়বনি।

ওইদ্রবসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং পীকখ্রবা মণিপুরসিদা তোয়না থোকপগী মরক্তা হন্দক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী) না কোল্লিবা অপূনবা ৱার্দ ২৭কী মনুংদগী ৱার্দ নম্বর ২০দা পি এম এ ৱাই (য়ু) হাওজিং ফোর ওল মিসনগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোক অসিবু করিনো? থোকহনফম থোকপা থবক্লা? স্কিম অসিগী খুদোংচাবা ফংদুনা বেনিফিসরিশিং ওইরগদবা মীওইশিংগী ফাইনেল লিষ্ট অমা আই এম সীনা লাউথোকখিবদা ৱার্দ নম্বর ২০গী ওইনা খনগৎলবা মীওইশিংগী মরক্তা স্কিম অসিগী গাইদলাইনগী ৱাংমদনা বেনিফিসরিশিং ওইফম থোক্তবা মীওই খরা হাপচিন্দুনা য়াওহল্লম্লে হায়রকপনি। সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিং য়াওনা মীদিয়া য়ুনিট খরনা রিপোর্ট তৌনরকপনি। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা লৈবা গ্রিভান্স রিদ্রেসেল এন্দ এন্টি করপসন সেলগী ওফিসর-ইন-চার্জদা ফোর্মেল ওইবা অইবা চেরোল ফাওবা পীশিন্দুনা ৱাকৎনরকপনি। তপ্না-তপ্না লৈবাক শরা শনবা হৌরকপনি। অদুবু অসিগুম্বা ৱাফম অমা চোঙথোরক্লবনিনা মসিবু কদাই ফাওবা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বদু থিদোকফম থোকই। ইচুম-চুমজবা, তৌফম থোকপা থবকশিং কায়দনা তৌরুবদা লান্না চার্জ তৌদুনা পাওথোকপীরকপা ওইরগনা চৈরাক পীগদবনি। ৱাফমসিনা অচুম্বা ওইরম্লগনা স্কিমগী গাইদলাইনগী ৱাংমদা বেনিফিসরিশিং ওইহন্নবা হোৎনরম্বা য়াওরগনা মিসন অসিগী শেল পীদ্রিঙৈদা ককথৎতুনা লৌথোকহৌগদবনি। বেনিফিসরি ওইহনবদা মতিক চারবশিং খন্দুনা হাওজিং ফোর ওল স্কিম অসিগী মখাদা য়ূম শাহনগদবনি। হায়রিবা থবকশিংসি পাঙথোকপীরগা লোইরে। মসিগীদমক ওমখৎনদুনা, শাগৎনদুনা লৈচিলদা তেন কাপ্পগী থৌদৌ তাহনবগী কান্নবা করিনো? অদুগা ৱাকৎ অমা লাক্তুনা ৱাথোক ওইবা হৌরক্লবনিনা তূমিন্না লৈশিনবসু চুমদে। নীংথিজনা অমসুং মমুৎ তানা থিদোক্লগা অশোয়বা, অরানবশিং য়াওরম্লগদি চুমথোকহৌগদবনি। থৌওইনা শোয়হল্লম্বা/লালহল্লম্বা য়াওরম্লগনা মরালগী মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। মরম অসিনা স্কিম অসিগী ওইনা ৱার্দ ২৭ কোনশিল্লিবা আই এম সীগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং তূমিন্না লৈশিনবা চুম্লোই। ৱা য়াম্নরক্তুনা অচৌবা ৱাথোক ওনখৎলক্ত্রিঙৈদা তৌবা য়াবা তৌহৌবা চুমগনি। শারিঙৈদা য়েহৌবনা পূম্নমক্কী কান্নগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **"কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **"য়াথং"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **"লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।"** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **"মৈ চঙলবা চেক"** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হন্দক্কী কোরোনাসিবু চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনদ্রসু য়ারদ্রো?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

নহানমুক্কী কোরোনাগী লাইচৎতুনা ইরমদম মণিপুরসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমকসি কোরোনা লাইচৎকী মরমদা মমুৎ তানা অমসুং ময়েক শেংনা মশক খঙহনখ্রে। অদুগা হৌজিক অমুক কোরোনাগী মরিশুবা রাউন্দগী খোঙচৎতা লমদমসিদা ইনৌ-নৌনা, চপ-চানা কোরোনা লাইচৎ অমুক হন্না হঞ্জিল্লকপগী থৌদৌ উবা ফংনরে। কোরোনাগী লাইচৎ, লাইওং অমদি মসিগী শাথীবগী চাং পূম্নমক খঙমিন্নরে হায়রিবা লমদমসিগী মীয়াম ঐখোয়না ঙসিসু ইরমদমসিদা কোরোনাগী অনৌবা লাইচৎ অমা অমুক হন্না হল্লকপসিদা লাইচৎসিগী মরমদা ঐখোয়না থোইদোক্লা লুনা অমত্তা লৌশিন্নরুবা তৌদ্রি অমসুং চেকশিন থৌরাংশিংসু অমত্তা লৌখৎনবা থেংনদ্রি। ফীভমসিদা ঐখোয়না তূমিন্না লৈথোক্লরিবসিবু কমদৌরিবনো? অদুঙৈ, ইরমদমসিদা শুপ্নগী কোরোনা অমখক্তমক য়ৌরক্লে হায়বদুদা ঐখোয়না করি তৌখিবা অমদি কয়াম থৱায় ৱানখিবা হায়বদু হৌজিক্তা অমুক হন্না নৌহৌনা তল্লবদি ফরক য়াম্না তারনি অমসুং চানসু চান্নররোই। অদুম ওইনমক, কোরোনা লায়নাগী ওইনা লৌনগনবা য়াওনা শাথীবগী চাংদি খক হন্থবা নত্তে। ফীভমসিদা হন্দক ঐখোয়না কোরোনাগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং থোইদোক্লা লৌখত্তবা হায়বসি হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা ঐখোয়গী পুন্সিদা লায়নাসিনা মরম ওইদুনা করি ওইরক্তদৌরিবা অমদি তুংগী পুন্সিদনা করি ওইরকপা য়ারিবা হায়বসি ঐখোয়না হৌজিক হায়বা ঙম্লিব্রা? অমবু ওইরসু, অমবু ওইরসু হন্দক নৌনা শন্দোকপা হৌরক্লিবা মরিশুবা কোরোনাগী খোঙচৎসিদা চেকশিনহৌদ্রবদি ঐখোয় করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু অমুক্তংদি থৱায় য়াওনা খন্থনহৌবা ফৈ।

হন্দক্তি ঐখোয় পূম্নমকসি কোরোনাগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবগী ঈ-পাউশিং ইতা তানদবগুম তৌই হায়নরিবসি অচুম্বনি। চুম্না ঈ-পাউশিং ইতা-তানদবদা নত্তনা ঐখোয় ইশা-ইশাসু য়াওনা হন্দক্তি কোরোনাগী লাইচৎসি খরা লায়থোক্লবগী থৌদৌ অমা অদুম ইউদা উনৈ। থৌদৌসি হান্না থেংনদৌ'মখৈ থেংনদুনা লাকখ্রবনি হায়রিব্রা নৎত্রগা লাইচৎসিগী মরমদা লোইনা খঙলে নীংলিবরা, ৱাখল অমদদি শোয়দনা লৈরমগনি। হৌজিক-হৌজিকমক ইরমদম মচাসিদা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবা কোরোনা পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীংসি নোংদোল খেৎনা ৱাংখৎলকপা হায়বদু চপ চানা থোক্লবনি। ফীভমসিদা ঐখোয়না করিবুনো ঙাইদুনা লৈগদৌরিবসি? ঐখোয়না লাইচৎসিগীদমক করিমত্তা খন্নদনা লৈথোক্লবগুম তৌরিবসি করিগীনো? মতাংসিদা খজিক্তং হেক লায়থোকহৌবদা হান্নগী কোরোনা লাইচৎকী খম থেংবা লাইওংদুমক ইরমদমসিদা তাথবা অমত্তা লৈতনা চপ চানা হঞ্জিল্লকপা য়ারিবনি হায়বসি ঐখোয় থাজফম থোকই। ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা লায়নাসিবু করিসু নত্তবা অমসুং লায়নাসিগী মরমদা মীপাইবা পোক্লীংঙাই অমা ফাওবা লৈতবা অমগুম্না থোইদোক্লা চেকশিন্দনা অমসুং ইরায় লায়না অঙাংনা মৈ কিদবগী মওংদা লৌনবসিমক্তি চুল্লমগনি থাজদে। অসুম্না তূমিন্না লৈথোক্লবগী থৌদৌসিনা ঐখোয়গা কোরোনাগগী মরক্তা থেংনরিবা লানফমসিদা ঐখোয়না কোরোনাবু ইরায় লায়না হেক্তমক মায়থীবা পীবা ঙম্লনি হায়বা ৱাফমসিসু চুমগদ্রা? পাক চুমগনি থাজদে। অদুগা কোরোনাবু হেক্তমক মায়থীবা পীবা হায়বসিসু পংয়াদসু খক য়াররোই। মমাঙদসু মমুৎ তানা খঙনখ্রবা থৌদৌশিং ঙাক্তনি। মমাঙগীদা উৎখিবা কোরোনাগী তৌবা ঙম্বগী শক্তিশিংদু ঙসিসু ঐখোয়গী ইমীৎসিদা শংশংনা উদুনা লৈনরি অদুগা নাকোংসিদসু তানরি। কোরোনানা মতমদুদা ঐখোয় খুদিংমকপু ৱাখল কয়াদা পীকশিনহনখিবা অমসুং চুম্না কিহনবদসু নত্তনা থৱায়সি কয়াদা তোন্থহনখিবা। অসুম্না অৱাবগী পনখৈশিংদু মচেৎ ওইনা খজিক্তং হাইদোকখিবদা মঙাইরি, হৌজিক অমুক নৌহৌনা কোরোনাগী অনৌবা লাইচৎনা ইরমদমসি কুপশিন্নবা হোৎনবা হৌরক্লিবসিনি। ফীভমসিদবু ঐখোয়না কোরোনাগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখত্তবা য়ারিবরা? করম্বা ইশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙখিগনি চিংনবগীনো, ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদা কোরোনা লাইচৎপু লান্থেংননবা শেম শাদ্রিবা? শোয়খ্রগা ইহে হায়রগদং তোক্কদৌবা কোরোনাগী থৌদৌসিগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং অমত্তসু লৌখত্তনা নীংঙাইদনা লৈথোকপা চুমগদ্রা ঐখোয়বু? মিৎনা কূপ্পদা খুদোংচাবা লৌখিদৌবা কোরোনাদা ঐখোয়না কোমথোকপা মিৎয়েংনা য়েংদুনা চেকশিন্দনা লৈথোকহৌবা হায়বসি কৈদৌঙৈদা খক ঐখোয়গী কান্নবা ওইরোই। শম্না হায়রবদা, কোরোনাগী মরমদা মতম ঙাইবনা অমুক হন্না ঐখোয়দা কান্নহল্লক্কদবা লম্বী অমত্তা লৈরোই।

কোরোনাগী লোইবা নাইরোইদবা ৱারীসি তারগা পূক্লিংসি তয়াং-তশোয়বনা পীক থল্লকই। নুংনাংবনা ইশা পূম্নমকসি মরেং-মরেং চৎহল্লি। শিয়ু হায়বদসু য়াদবা, ইমিৎনা-ইখোঙনা য়ৌবা-উবসু নত্তবা, ইমিৎসিনা উবা ওইরম্মুদনা নহান্না ইখূৎসি পেন্নবা খাই-খাইদুনা য়ৈরল্লোইদ্রদো, কোরোনাভাইরস মহীক্তু। অসি য়ৌনা মীয়ামগী থম্মোয়দা তাথীনা থম্নখ্রবা মহীকনি কোরোনাভাইরস হায়বা মহীকসি। হৌজিক্কী ইরাসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯ হায়রিবা কোরোনাভাইরসকী মহীকসিদগী হেন্না শাথীবা মহীকসি মালেমসিদা লৈরল্লোই হায়নরিবনি। অদুবু অসি য়ৌনা তাথীখ্রবা কোরোনাভাইরস হায়বা মহীকসি ইরমদমসিদগী মরূ ফংনা মাঙহনখিনবা হোৎনমিন্নসি হায়বদসু ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা খক থৌওইবা লৈতে। সিদনি ৱানরিবসি। ফনবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়বদসু থোং মান্নবা হেক্তা ঙমদবা, খরা অমনা য়ারগা খরা অমনা হেক তৌনীংদবা সিগুম্বা পোফমশিংসিদনি লমদমসিদা সী এস ওশিং ওইনা কখোক্তুনা থবক তৌরুরগা দাই মপাক-মপাক হল্লকপা য়াওনরিবসি। অমা-অমগী ৱাফম নত্তনা হন্দক্কী মরিশুবা কোরোনা লাইচৎকী মতাংসিদদি ইরমদমসিগী মীয়ামসিনা কোরোনাগী লাইচৎ হায়বসি করিনো অমসুং মসি কমদৌবনো হায়বদু মাঙজৌননা খঙদুনা লৈরবা ঙাক্তা ওইবনিনা লৈঙাক্লা লাউথোক্লকপা অমুক ঙাইদ্রবসু ঐখোয় মীয়াম্না ইশা ইশানা কোরোনাগী এস ও পিশিংদু ঙাক্লা চৎনবা য়াই হায়বনি। হৌজিক হৌজিকমক ইরমদমসিদা চৎনরিবা মতৌসি য়েংমিন্নবা য়াই। লৈঙাক্লা কম্পলসরিনি লাউথোক্তে হায়বগী মওংদা মশীং থিঙমদ্রবা ইরমদমসিগী মীওইশিংনা লম্বী-লমজাওশিংদা মাস্ক উপ্তুনা চৎনরি অমসুং অয়াম্বা মতমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লসু খক চৎনদ্রি। ঐখোয় ইশানা ইশাগী থবকশিংদা তৌফম থোকপা অমসুং অচুম্বদু করিনো হায়বসি খঙনবা হোৎনফম থোকই অদুগা খঙনসু চৎফম থোকই। মথক্তসু হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জখ্রে। হৌজিক মণিপুরদা মরিশুবা রাউন্দগী ওইনা কোরোনাগী অনৌবা লাইচৎ কন্না হৌগৎলক্লি হায়না। অসিগুম্বা ফীভমসিদা ঐখোয়না অতোপ্পশিংনা শীনবীরক্কনি অমসুং মতেং পাংবীরক্কনি হায়দুনা লৈঙাক্কী অমদি অতৈ অতোপ্পা এন জি ওনচিংবশিংগী থৌশিল ঙাইদুনা লৈথোকফম থোক্তে। লায়নাসিগী ওইনা হান্নদগী হৌনা ঐখোয়না খঙলবনি, শুপ্নগী এস ও পি খক ঙাক্লা চৎপা নত্তনা লায়নাসিবু কৈদৌঙৈদসু খক ঐখোয়না মায়থীবা পীবা ৱাগনি। সিনি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী কোরোনাগী ফীভমসিদা মীচম মীয়াম ওইরিবা ঐখোয়না তৌবা য়াবশিং খরা হায়রগদি।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম খরসি তইঙফদনা ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা তমথীরবা কোরোনা লায়নাগী মতাংদা ইশা ইশানা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা থমজবনি। লায়নাসিনা তৌবা ঙম্বগী শক্তিশিং কদাই ফাওবা লৈরিবনো হায়বদু মমাঙদসু ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। অচৌবা লায়না-লাইচৎসিগীদমক মীচম-মীয়াম ঐখোয়নসু তঙাইফদনা লৌখৎপা য়াবা এস ও পিগী পোরমশিংদুদি শোয়দনমক্কী লৌখৎপা য়াই। হৌজিক ওইরিবা কোরোনাগী মরিশুবা রাউন্দগী লাইচৎসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা করি শীল্লিবা হায়বসিসু ময়েক শেংনা উবদি লৈত্রি। অদুম ওইনমক হীরমসিদা লৈঙাক্কীসু অচেৎপা পান্দমদি শোয়দনমক্কী লৈরিবনি। ওভরওল ওইনা মণিপুরদা কোরোনা লায়নাগী লান্থেংসি মণিপুর লৈঙাক্লা মায়পুননা থেংনদুনা লাকপনি। ঙসিসু শোয়দনা তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌবীরক্কনি হায়বসিদি য়াম্না চেৎনা অদুম্মক থাজবা লৈ। ●

## মণিপুর আই এল পি গাইদলাইন ২০১৯দা মীৎয়েং অমা

**— ডা. মালেম নিংথৌজা —**

মণিপুরদা মীতোপ থোমজিল্লকপদগী য়েলহৌমী কন্নবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম লৈহল্লু হায়বা ঈহৌ অমা মতম শাংনা লৈখি। পাউখুম ওইনা দিসেম্বর ১২, ২০১৯দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরদা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন, ১৮৭৩ (ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম) চৎনরে হায়না চে থোকখি। দিসেম্বর ৩১, ২০১৯দা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন্স, ২০১৯ (এম আই এল পি জি) ফোঙখি। মসিনা য়েলহৌমী কনবা ঙম্লনি হায়না মীয়াম্না হরাওনখি। ৱাফম অনীসু থোরকই ; (১) এম আই এল পি জি অসি থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্লব্রা?, (২) এম আই এল পি জি অসি মতিক চারব্রা? ৱাফমসিদা চহী খরা মমাঙদা শাংনা ইংলিস লোন্দা ইজখিবদু নৌহৌনা শুপচিল্লগা ইমালোনদা তেল্লপ থমজগে।

১)Definition Exemption : এম আই এল পি জিগী মতুংইন্না মণিপুরগী 'ইন্দিজিনস পিপল' অমসুং 'পর্মিনেন্ট রেসিদেন্টস' আই এল পি মথৌ তাদে। মখোয়সি কনা কনানো? মখোয়গী খেন্নবা রাইটস/দ্যুটি করিনো? মীতোপ খুদিংমক পার্মিনেন্ট রেসিদেন্টস হেক্তা ওইবা য়াব্রা? মখোয়গা য়েলহৌমীগা রাইটস মান্নব্রা? এম আই এল পি জিনা ৱাহংসিগী পাউখুম পীদে।

২) Ownership : য়েলহৌমী কনগে হায়রবদি মীতোপ্না লম, লৌরি য়ূম্ফম, য়ূম-কৈ, ইম্মুভেবল প্রোপর্টিস, মহৌশা পোখোক, কৈথেল অসিনচিংবা মপু ওইবা য়ারোই। এম আই এল পি জিনা মসিগী মতাংদা তূমিন লৈরে। খুন্দা লৈতাশনখ্রবা, মরু ওইনা ইনাকখুনবা মীচং লৈবা মীতোপ্না শুপ্পাই পায়শিল্লকপা য়াবদগী ঙাকথোক্তে।

৩) Voting rights : এম আই এল পি জিনা মীতোপকী ভোটিং রাইটস থিংদে। মীতোপ্না মীশিং হেনগৎলক্তুনা, ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা লৈঙাক পায়শিল্লক্লগা এম আই এল পি জি ময়া কুমহল্লকপা ঙম্বগী অরুবা ফীভম লাকপসু য়াই।

৪) Exemptions : (এ) এম আই এল পি জি ক্লোজ ১৬ অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস নোটিফিকেসন্স (সেপ্টেম্বর ৭, ২০১৫, এন্দ জুলাই ১৮, ২০১৬) পূন্না নৈনবদা; দিসেম্বর ৩১, ২০১৪ মতুংদা আফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদা লাইনীং নৎত্রগা ফুরুপকী মীংদা নৈহৎপীরে হায়বগী অকিবা লৈদুনা শৈদাংফম লৌগে চঙলকপা Hindus, Sikhs, Buddhists, Jains, Parsis অমসুং Christians শিংদা আই এল পি মথৌ তাদে। মখোয় নৎত্রগা মখোয় শাশিন্নরগা মণিপুরদা মীতোপ থোমজিল্লকপগী খুদোংচাবা লৈ।

(বি) বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি মিষ্টর রাম মাধবনা মণিপুর য়েলহৌমী ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা, দিসেম্বর ১৩, ২০১৯, ইন্নর লাইন পর্মিট পায়দুনা মণিপুরদা লাকখি। অসিগুম্বা ইকায়খুম্নবা অসি মীতোপ অতৈনা উফম থোক্তব্রা? মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, এম আই এল পি জি ক্লোজ ৮না মীওই কাঙলূপ খরা আই এল পি এগজেম্প তৌহল্লি। এগজেম্পসনগী মরমসি করিনো?

(সী) সব-ক্লোজ (i) to (vi) না এগজেম্পট তৌরিবা 'ফেমিলি মেম্বরস' হায়বসি কনানো? করিনো? কমদৌনা ভেরিফাই তৌনি? ময়েক শেংদে। সব ক্লোজ (iii) না এগজেম্পট তৌরিবা 'ওফিসরস' দিফাইন তৌদে। মণিপুরদা পোষ্টিং তাবা ওফিসর হায়না ময়েক শেংহনবনা চুল্লোইদ্রা? সব ক্লোজ (vii) না রেজিষ্টর "National and State Political Parties" গী এগজিক্যুটিভ মেম্বর খুদিংমক আই এল পি মথৌ তাহন্দে। মসিগী মরম করিনো?

(দি) Sub-clause (viii) তা পল্লিবা "educational institutions" দিফাইন তৌদে। মণিপুরদা লৈবা গভর্ণমেন্টনা রিকগনাইজ তৌবা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুট হায়না ময়েক শেংবা মথৌ তাদব্রা? নৎত্রদি মীতোপ পুশিল্লকপদা লৌতুনরগা মতেং পাংশিনবা এদ্যুকেসনগী মায়খুম কূপ্পা ইন্সটিট্যুসন কয়া থোরকপসু য়াই।

(৬) Authority : (এ) ক্লোজ 5 (ii) না আই এল পি কার্দ ইস্যু তৌবগী পৱার "any other agency" দা শিন্নে। মসিগী দিফিনিসন নিংথিনা পীদে। ৱাহংদি, লৈবাক্কী লুরবা থৌদাং অসি লন্নাই শেন্দোংগীদমক লিংখৎপা প্রাইভেট ফার্মশিংদা আউটসোর্স/প্রাইভেটাইজ তৌবগী পান্দমলা?

(বি) Special Category ILP, Clause 9 (iv) দা হায়রিবা "any other person" ৱাফম অসি লোঞ্জা লোন্থুপ পাম্বা কনাগুম্বা ওফিসলশিংদা মীতোপ হালেংদনা থাজিঞ্জরো হায়বগী লাইসেন্স পীথোকপগা চপ মান্নদবরা? স্পেসল কেটেগোরি পর্মিট হালেংদনা পীথোকপা য়াবগী মরমসু লৈহল্লি। ক্লোজ ২২দা হায়রিবা "the State Government has inherent power to relax any of the above guidelines at its discretion," অসিনা এম আই এল পি জি অসি টেম্পররি ওইহল্লি অদুগা ৱাহন্থোকসু লৈহন্দে।

(৭) Penalty : পেনালটিগী ৱাফম ক্লোজ ২০ অসি অৱাৎপনা থল্লি।

(এ) পর্মিনেন্ট রেসিদেন্টস হায়বসি কনানো? (বি) আই এল পি কার্দ পায়দবা মীতোপ ফারবদি চৈরাক্লা লোয়নন্না মণিপুরদগী তান্থোকখিগনি হায়দে। (সী) মীতোপনা খোপচিল্লম্বশিং লৈঙাক্লা মৎকনি হায়দে। (দি) মরাল লৈবা মীতোপশিং অকক্লবা মতম খরা আই এল পি পীরোই হায়বা ৱাফম লৈতে। (ঈ) আই এল পি পায়দবা মীতোপ শৈদাংফম পীরম্বা য়েলহৌমী নৎত্রগা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্টস চৈরাক পীবগী ৱাফম য়াওদে।

(৮) Sponsors : ক্লোজ ৯ অমসুং ১২দা 'স্পোন্সর' হায়বা ৱাফম পন্দে; অদুবু মরী লৈনবা ফোর্ম এ অমসুং দিদা স্পোন্সরগী মিং অমসুং খূৎয়েক পীফম য়াওই। অদুনা ইনকন্সিসটেন্ট ওইরে। অমরোমদনা, স্পোন্সরগী মী মমিং (নৎত্রগা দিপার্টমেন্ট) খক হায়হনবা নত্তনা স্পোন্সর অদু হেন্না কূপথনা ভেরিফাই তৌবগী মমি উদে। ক্লোজ ১০ (বি) দা পর্মিনেন্ট রেসিদেন্ট খক্তনা রেগ্যুলর ইন্নর লাইন পর্মিটকী স্পোন্সর তৌবা য়াহল্লি। য়েলহৌমী অমসুং য়েলহৌমীগী ইন্সটিট্যুসন (এদ্যুকেসন, স্পোর্টস, কলচরগা মরী লৈনবশিং) না মখোয়গী মরী লৈনবা ওজা, প্রোফেসনেল, fellow, emeritus, মরী মতা, মরুপ মপাংশিংবু আর আই এল পি স্পোন্সর তৌবগী খুদোংচাবা লৈহন্দে।

ৱারোইশিন :- মণিপুর য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ অসি ইন্দিয়াগী ফিবান মনুংদা হৌবা ঈহৌ অমনি। এম আই এল পি গাইদলাইন্স ২০১৯ অসি ইন্দিয়াগী পাক চাওবা কন্সটিট্যুসনেল মীৎয়েং অমদগী মণিপুর য়েলহৌমী ঈহৌদুদা পীরকপা পাউখুম অমনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ঙমজবা থাক অমদা গাইদলাইন্স অসি শেমজবনি। লৈরমদবা ঙাকলৌ অমা লৈহল্লক্লিবা লৈঙাক অসিবু থাগৎফম থোকই। অদুমকপু, মণিপুর য়েলহৌমী কনবগী মীৎয়েংদগী য়েংবদা গাইদলাইন অসি অৱাৎপা কয়া লৈরি। মণিপুর য়েলহৌমী ইন্টরেষ্ট ঙাক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদা পাক্তক্লনা পীরিবা কন্সটিট্যুসনেল রাইটসকা মুক্লবা খরদি লৈগনি। মুক্লবা অসিদা ঐখোয়না মায় পাক্লগা ঐখোয় চাওখৎকনি। মুক্লবা অসিগী সোল্যুসনদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা মণিপুরগী য়েলহৌমী কনবগী স্পেসল প্রোভিজন অমা হাপচিনবা হায়বসিনি। নৎত্রবদি হৌজিক লৈরিবা এম আই এল পি জি অসি মতিক চারোই। মসিদি অচৌবা মীতোপকী নোংলৈ নুংশিৎ শাফু অমা ছাতিন পায়রগা ঙাক্লবা হোৎনবা ওইনা থোক্কনি। ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক,সী এস ওশিং অমসুং অখঙ অহৈ পূন্না খন্থমিন্নদুনা ঐখোয়গী য়াইফগদবা কাঙলোন চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই।●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।